# টেবল টেনিসকী বোর্দ অসি কাংথোল অনী শমজিন্নদুনা শেম্লগা মদুদা নেট খল্লগা ইহান হান্না শান্নবা হৌজরকখি



লৌরেম্বম দয়ামোয়
*ভেটরান প্লেয়র*

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
অকাউ-পরৈ চল্লুরবশিং

মণিপুরগী ওইনা মমিং লৈবা শান্নরোয় কয়া পুথোরকখিবা অখন্নবা মফমশিংগী মনুংদা চিঙামখা হৈরাঙ্গৈইথোংগী মায়কৈ অসিসু অমনি। ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌরগা ভোল্লিবোলদা, বোদি বিল্ডিংদা, জিমনাষ্টিক্সতা মশক নাইবা মীওই কয়া থোরকখি। হায়রিবা মশান্নশিং অসিতা নত্তনা টেবল টেনিসতা মীয়াম্না থোইদোক্না শকখঙনখিবা প্লেয়র কয়াসু লৈখি। মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংদ্রিঙৈ মতমদা লমদমসিদা মমিং লৈনা শান্নবিরম্বা প্লেয়রশিংগী মনুংদা লৌরেম্বম দয়ামোয় সিংহসু অমনি। ভেটরান শান্নরোয় অসিনা ফোঙদোকপীরকপা ৱাফমশিং ঙসিগী কোলমসিদা থমজরি।

কুমজা ১৯৪৬কী জনুৱারী ২৫ লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চিঙামখা য়াংলেম লৈকাইদা লৈবা লৌরেম্বম কোমোলো অমদি চান্দম নিংঙোল লখিতোম্বীগী মচা তরুক্কী (নুপী অহুম, নুপা অহুম) মনুংদা অনীশুবা মচা ওইনা এল দয়ামোয় তাইবঙদা খোঙদাবীরকখি। পীক্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মশা মউ ফবা মীওই অমা ওইনিংলকপদগী ভেটরান শান্নরোয় অসি মশাগী ওইনা শাজেল তৌবসি য়াম্না পামজরকখি। লোয়ননা চুরাচান্দ স্কুলদা ক্লাস ফাইভ তম্বা মতম কুমজা ১৯৫৩ স্বাইদগী শান্নবা হৌরকখি। ইহান হান্না শান্নবা হৌরকখিবগী মতাংদা ভেটরান প্লেয়র অসিনা অসুম্না লীবিরকখি, ঐহাক ইশামকসি স্পোর্টস ইভেন্ট অহুমদা থৱায় য়াওনা শান্নজরকখি। ঐহাক্না ইহান হান্না শান্নজরকখিবা মশান্নদি টেবল টেনিসনি। শান্নবদা খোঙদারকপসি করম হায়না তৌবগে হায়বদা, ঐবু পোকপা বাবাসি মণিপুরদা গাড়ি লোইবা মীওইশিংগী মনুংদা ইহান হানবা মীশক্কি। কুমজা ১৯৫৩গী মতমসিদা ঐখোয়গী দোজ হায়না খঙনবা গাড়িসি অহুম লৈরে। অসিদসু নত্তনা জিপ অমসু ইমুংগী চথোক চৎশিনদা শীজিন্ননবা লৈরে। হায়রিবা মতমসিদা ঐখোয় বাবাসি খঙহৌদনা পঙথবী লায়না অমনা নারকখি। তশেংনা মদু বি পি গুপ্তা ওইবজাৎনি। করি লায়নানো হায়বা মতমদুদা ঐখোয়দি থোইনা খঙখিদে। অমরোমদা, হায়রিবা মতম অদুদা মেজোরখুলসিদা কোলকতাদগী ডা মোন্তোস রোই কৌবা বংঙ্গালি অমা লৈরম্মী। মমিং লৈবা ডাক্তরনি হায়দুনা ঐখোয় বাবাসি মঙোন্দা য়েংহল্লি। বাবাসি ঐগী ইয়াম্বা তিকেন্না জিপ্তা থিন্দোক থিঞ্জি হেক হেক তৌরগা লায়েংই। ডাক্তরসিগী মনাক্তা চৎপসিদা টেবল টেনিসকী বেট, বোল, নেটসি ইয়াম্বসিনা উরকখিবনি। হায়রিবা টি টিগী পোৎলমশিং অদু ডা মোন্তোস রোইনা কলকতাদগী পুরকপনি। বাবাসি লায়েংবদগী মথং মথং খঙনরক্তুনা ডাক্তর অসিনা টি টিগী বেট অনী অমনে, বোল অহুম অমনে, নেট অমনে পীরকখি। ঐদি মতমদুদা টি টি অসি করম্না শান্নবগে হায়বা খঙবা নত্তে। টি টিগী বেট, বোল, নেটনচিংবা লৈরবসু বোর্দ লৈতবনিনা মতম খরদি পাক শান্নবা য়াখিদে। অদুবু, শান্নবা য়ানবা হায়দুনা অহলশিংনা তুম্নরম্বা অপাকপা ফমুং অনীসি শমজিন্নরগা নিংথিনা শেম্লগা ময়ায়দা নেট খল্লগা টেবল টেনিসসি ইহান হান্না ঐখোয় শাগৈ-নাতৈগী ইচিল ইনাওশিং শঙ্গোয়দা থারগা শান্নবা হৌরকখি। শান্নবা হৌরকপা মতমসিদদি পঙথোম থোমদুনা শান্নবনি। নোংমদি ঐখোয়দা সরত অরাম্বম (মতমদুদা এস দি ও ওইবা) সি উখ্রুলগী ফুঙয়ারদা চৎনবা হায়দুনা ঐখোয়দা লাকখি। মতমদুদা উখ্রুলরোমদা গাড়ি চেনবসি ঐখোয়গী গাড়িসিখক্তনি। অদুনা উখ্রুলরোমগী তাঙ্খুলশিংসিদি ঐখোয় ইমুংগা য়াম্না ক্লোজ ওইজরকখি।

ঐখোয় ইচিন-ইনাও ময়াম্না কাংথোলদা নেট খল্লগা শান্নরম্বদুদা সরত অরাম্বমসিনা টি টি হায়বসিদি সুমাইনা শান্নগদবনি হায়দুনা সর্ভিস অমা/অনীগা থোম্বগী মওং খরগা তাকপীরমখি। মদুদগী ঐখোয়সি খরা খরা হৈরকখি। টেবল টেনিস থৱায় য়াওনা শান্নরকপা ঐখোয় ইচিল-ইনাওশিংনা তাদ তিকেন, খুরাগী মচা রাজেন, তা ভৈরোব অদুদগী মুহিন্দ্রো, থৌনাউজম তোম্বা ..... ঐখোয়সি শান্নমিন্নরকখি।

ঐখোয়না কন্না শান্নবা হৌজরকপা মতমসিদা মণিপুরগী ওইনা টেবল টেনিসতা অফাওবা ওইনা লৈবীরম্বসিনা কুঞ্জবীহারি, সাপম শিবদাস, এ কে বিজয় ... অসিনচিংবনি। এ কে বিজয়সি ওল আসামগী ওইনা চেম্পিয়নগা লৌখিবনি।

টেবল টেনিস থৱায় য়াওখৎনরকপদগী ঐখোয়গী তাদ ভৈরোবনা তৌরগা মমৈদা উনিংথৌগী টি টি বোর্দ অমদি চল্লকখি। মদুদগী মথং মথং লেপ্তুনা শান্নরকপদগীদি ফোর্ম তাবা হৌরকখি। অদুগা ঐনা পায়দুনা শান্নজরিবা মওংসিনা পেন হায়বদুনি। কোলোমগী মওংদা পায়রগা শান্নবনি। কুমজা ১৯৫৭তগীদি ওল মণিপুর টেবল টেনিস টুর্নামেন্টতা শরুক য়াবা হৌরে। ঐনা খঙজরকপা মতমদা মণিপুরদা টেবল টেনিসকী বোর্দ থাদুনা লৈরম্বা মফমসি দি এম কোলেজদা অমা, গান্ধি মেমোরিএল হোলগী নাকন্দা লৈবা সেন্ট্রেল লাইব্রেরিসিদা অমা, অনীসিনি। ঐগী ওইনা অহানবা য়াওরকপা টুর্নামেন্টসিনা জোনষ্টোন স্কুলদা তৌখিবসিদা অহানবা শরুক য়াজবদা সেকেন্দ পোজিসন লৌজবা ঙমজরকখি। লোয়ননা কুমজা ১৯৬৩দা কট্টক্তা পাঙথোকখিবা 'মাপল শুবা নেসনল স্কুল গেমস'তা সেকেন্দ তাজরকখি।

... মথং মথং ...



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৯

১) খা কোরিয়া মচা অমনা ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল হেক ফংখিবগা অসুম্না হায়খি "ঐনা য়ুন অমসুং মহাক্কী ইমাদা ঙাকপীয়ু হায়রি। ঐগী সনাগী মেদল অসি মখোয়গা ঐগা পুন্না ফংমিন্নবনি"।
(ক) মসি কনানা হায়খিবনো? (খ) করি মরমগী হায়খিবনো?

২) মহাক য়ুরোপ মচানি, ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননী, ফিল্মসু য়াওখি, কুমজা ১৯৯৮দা কার এক্সিদেন্টতা লৈখিদবদা মালেম পুম্বনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৩) ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমগী মেদল ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিনিনা মতম খরা লৈরগা লৌশিনখি। মরমদি মহাক প্রোফেস্নেল ওইনা শান্নবদা শরুক য়াই হায়বগী মরমদনি। মহাক শীরবা মতুংদা মহাক্কী মশুশিংদা মহাক্কী মেদল অদু অমুক শীন্নখি। মহাক কনানো?



৪) ঐহাকপু চেকশুবা নিপানি হায়দুনা ইংলেন্দগী থেমস তুরেন্দা হিয়াং তান্নবদা শরুক য়াহন্দে। ঐ ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননি, ইচা নুপীনা লৈবাক অমগী মহারানিনি। ঐ কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## নেসনল গেমস য়ুম্বু ওইননবা গোৱা লৈঙাক্না আই ও এদা অনৌবা মতম অমা লেপ্পিনবা ফোঙদোকখ্রে

পনাজি, জুলাই ২৪ (এজেন্সী)ঃ
চৎলিবা চহী অসিগী নভেম্বর থাদা গোৱানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা নেসনল গেমস অদু মফম অদুগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অদু মপুং ফানা লোয়শিনবা ঙমদনা লৈবা মরম্না মথং চহীগী মে থাদা অনৌবা মতম অমা পীবীনবা ষ্টেট অদুগী লৈঙাক্না ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ)দা হায়জখ্রে।



ৱাফম অসি গোৱাগী ষ্টেট এসেমব্লিনা লৌখিবা ৱারেপ অমগী মতুংদা লাকখিবনি। নীংসিংবা য়াই নেসনল গেমস অসি চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ-এপ্রিলদা পাঙথোক্লবা তৌরম্বনি। অদুবু লৈবাক অসিগী লোক সভা মীখল লৈখিবা মরম্না নভেম্বর থাদা পাঙথোক্লবা লেপ্প খিবনি।

গোৱাগী চীফ মিনিষ্টর প্রমোদ সৱান্তনা ঙসি ষ্টেট অদুগী এসেমব্লিদা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অদুদা হৌজিক লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অদুগী ফিভম য়েংলুবদা চহী অসিগী নভেম্বর থাদা নেসনল গেমস অসি পাঙথোকপা য়াবগী ফিভম লৈতবনা আই ও এদা মথং চহীগী মে থাদা অনৌবা মতম অমা পীবিনবা হায়খিবনি। মমাংদা ষ্টেট অসিনা গেমস অসিগীদমক ক্রোর ৯৭.৮০ ফংখ্রবনি।

## জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সিন্ধু অমসুং প্রনোয় মায়পাকখ্রে স্রিকান্ত অমদি সমির ভর্ম্মা মায়থীহৌরে





টোকিও, জুলাই ২৪ (এজেন্সী)ঃ
জপানগী কোনুং টোকিওদা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ৭৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা জপান ওপন ২০১৯ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপীগী নম্বর ৱান শান্নরোয় পিভি সিন্ধু অহানবা রাউন্দ মায়পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে। নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় ঐচ এস প্রনোয়সু মায়পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে। স্রিকান্ত অমসুং সমির ভর্ম্মা অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে।

টোকিও সিটিগী মুসাসিনো ফোরেষ্ট স্পোর্টস প্লাজাদা পাঙথোক্লিবা জপান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা ইন্দিয়াগী পিভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচ অদুদা চাইনাগী শান্নরোয় হান য়ুএবু শুপ্নগী মিনট ৩৭তা ২১-৯, ২১-১৭তা মায়পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা জপানগী শান্নরোয় অয়া ওহোরিগা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াই পিভি সিন্ধুনা হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা জপানগী শান্নরোয় অকানে য়মাগুচিগা লম্বা তৌনবদা মায়থীদুনা রন্নর্স অপ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা কিদম্বী স্রিকান্ত অহানবা রাউন্দদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ঐচ এস প্রনোয়গা লম্বা তৌনবদা গেম ১-২দা মায়থীহৌখি।

মেচ অদুগী অহানবা গেম অদু স্রিকান্তনা ২১-১৩দা থোইখি। অদুবু প্রনোয়না অনীশুবা গেম অদুদা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা স্রিকান্তপু ২১-১১দা থোইদুনা দিসাইদিং গেম শান্নরকপদা য়াম্না কনবা লান্থেং অমা মায়োক্নরগা ২২-২০দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা দেনমার্ক্কী রাসমুস জেমকেগা লম্বা তৌনরগনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী শান্নরোয় সমির ভর্ম্মা অহানবা রাউন্দদা দেনমার্ক্কী শান্নরোয় এন্দর্স এন্টোন্সেনগা লম্বা তৌনরকপদা ১৭-২১, ১২-২১দা মায়থীহৌখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী শান্নরোয় সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদি অমসুং চিরাগ শেটিনা অহানবা রাউন্দদা ইংলেন্দগী পেয়র মার্কস এলিস অমসুং খৃস লাঙ্গ্রিসপু ২১-১৬, ২১-১৭তা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী পেয়র হুৱাং জিয়াং অমসুং লিয়ু সেংগা লম্বা তৌনরগনি।

## থাইলেন্দ ওপন বোক্সিংদা ইন্দিয়াগী নিখট জারিন অমসুং দিপক সিংহ সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



বেঙ্কোক, জুলাই ২৪ (এজেন্সী)ঃ
থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোকতা পাঙথোক্লিবা থাইলেন্দ ওপন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী নিখট জারিন অমসুং দিপক সিংহ সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মমাংদা জুনিয়র ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবি ইন্দিয়াগী নিখট জারিননা কিলোগ্রাম ৫১গী কাংলুপ্তা ঙসি উজবেকিস্টানগী বোক্সর সিটোরা শোগদারোভাবু পোইন্ট ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। পনবা য়াই নিখট জারিন মমাংদসু এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদলসু ফংবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী বোক্সরনি। নিখট জারিন্না ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মশান্না অসি হান্নদগী ফজবা হেনগৎলক্লি লোয়ননা ঙসিগী বাউট অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমখি হায়রি।

নুপাগী কিলোগ্রাম ৪৯গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর দিপক সিংহনা মহাক্কী লম্বা থাইলেন্দগী সমাখ সেহানবু অহানবা রাউন্দদা রেফরি ষ্টোপ কোন্টেসতা শুপ্নগী মিনট ২দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

দিপক সিংহনা থাইলেন্দগী সামখ সেহানবু ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অদুগী হৌরকপদা য়াম্না এটেকিং ওইবা মওংদা শান্নবা ঙমদুনা থাইলেন্দগী বোক্সর অদুগী লাইবক্তা মহাক্না থিনখিবা কিন অমনা উনষা তৎপদগী বাউট অদুবু কন্ট্রোল তৌখিবা রেফরিনা মখা তানা বাউট চথরবদি থাইলেন্দগী বোক্সর অদু কা হেন্না শোক্লকপা য়াই হায়না কোন্টেষ্ট অদু লেপহন্দুনা ইন্দিয়াগী দিপক সিংহদা বাউট অদু পীখি।

নুপাগী কিলোগ্রাম ৬০গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী আসিসনা ক্বার্টর ফাইনেলদা জমাইকাগী বোক্সর জোসুৱা ফ্রেজরবু পোইন্ট ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। কিলোগ্রাম ৮১দা ব্রিজেস যাদবনা থাইলেন্দগী বোক্সর জকাপোং য়োমখোৎপু অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং বাউট অদুগী জজ মঙাগী মনুংদা মরিনা মহাক্কী মায়কৈদা পোইন্ট হেন্না পীদুনা ৪-১দা মায় পাক্লগা য়ামদ্রবদা সেমি ফাইনেলদা মায়থীরবসু ব্রোঞ্জ মেদল অমদি শোইদনা ফংলগনি।

কমনৱেলথ গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট হুসামুদিনন কিলোগ্রাম ৫৬কী কাংলুপ্তা সাউথ কোরিয়াগী বোক্সর লি য়েসানবু পোইন্ট ৫০দা মায়থীবা পীদুনা মহাকসু সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। নুপীগী কাংলুপ্তা মঞ্জু রানিসু কে জি ৪৮দা ইটালিগী বোনাতিবু থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

## ইটালিগী ফুটবোল ক্লব জুবেন্টসনা অতোপ্প লৈবাক অদুমক্কী ক্লব ইন্টর মিলানবু পেনাল্টিদা ৪-৩দা মায়থীবা পীখ্রে



নানজিং, জুলাই ২৪ (এজেন্সী)ঃ
চাইনাগী সিটি নানজিংনা য়ুম্বু ওইরগা ঙসি শান্নখিবা ইন্টর্নেস্নেল চেম্পিয়ন্স কপকী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইটালিগী ক্লব অনী শান্নবদা জুবেন্টসনা ইন্টর মিলানবু পাঞ্জল ৪-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

ফুটবোল কনফিদরেসন অনীগী ক্লব ১২না থা অসিগী ১৬তগী মথং থাগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক ৬না পুন্না য়ুম্বু ওইমিন্নবা ইন্টর্নেস্নেল চেম্পিয়ন্স কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি চাইনাগী সিটি নানজিংগী ওলিম্পিক স্পোর্টস সেন্টরদা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা ইটালিগী চেম্পিয়ন ক্লব ওইরিবা জুবেন্টসনা লৈবাক অদুমক্কী ক্লব ইন্টর মিলানবু পেনাল্টিদা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসি য়ুএসএ, ইংলেন্দ, ৱেলস, চাইনা, স্বিদেন অমসুং সিঙ্গাপোরনা পুন্না য়ুম্বু ওইমিন্নবনি। অদুগা শরুক য়ারিবা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী টিমশিং অদুদি ইংলেন্দগী অর্সেনল, মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং টোটেনহাম হোটস্পর; জর্মনিদগী বেয়র্ন ম্যুনিক, ইটালিদগী ফ্যুরেন্টিনা, জুবেন্টস, ইন্টর মিলান অমসুং মিলাননি। স্পেনদগী এথলেটিকো মাদ্রিদ অমসুং রিএল মাদ্রিদ অদুগা পোর্টুগালদগী বেনফিকানি। লোয়ননা সেন্ট্রেল অমেরিকান ফুটবোল কনফিদরেসনদগী মেক্সিকোগী ক্লব গ্বাদালাজরানি।

ঙসিগী মেচ অদুগী অহানবা হাফকী ১০শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী দি লাইটনা শোইবদগী চনশিঞ্জখিবা পাঞ্জলনা ইন্টর মিলানগী পাঞ্জল ওইখি। শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা জুবেন্টসকী রোনালদোনা ইক্বেলাইজর চল্লগা পেনাল্টি কাউনরকপদা জুবেন্টসনা পাঞ্জল ৪ অদুগা ইন্টর মিলাননা পাঞ্জল ৩ চল্লগা মেচ অদু লোইশিনখি।

## ইন্দিয়াগী রোহন বোপনা হেমবর্গ ওপন টেনিস টুর্নামেন্টকী দবসলকী কাংলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



হেমবর্গ, জুলাই ২৪ (এজেন্সী)ঃ
জর্মনিগী সিটি হেমবর্গতা পাঙথোকপা ১১৩রক শুরবা হেমবর্গ ওপন এ টি পি টেনিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রোহন বোপনানা স্পেনগী পাব্লো কারিনা বুস্তাগা পেয়র ওইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

বোপনা অমসুং বুস্তানা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা জর্মনিগী আর মোলিকর অমসুং স্লোভেনিয়াগী এন জিমোনজিকপু সেট ২-১দা মায়থীবা পীখি।

অহানবা সেট বোপনা অমসুং বুস্তানা মোলিকর অমদি জিমোনজিকপু ৬-৩দা থোইখি। অনীশুবা সেটতা জর্মনিগী স্লোভেনিয়াগী পেয়র অদুনা ইন্দিয়া অমসুং স্পেনগী পেয়র অদুবু অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকপদা গেম ১০ লোইশিল্লকপদা গেম ৫-৫ লৈনখি।

অনীশুবা সেট অদুগী মখা তারকপা গেম ২ মোলিকর অমসুং জিমোনজিক্না থংননা গেম অনীমক থোইবা ঙমখিবদগী দিসাইদিং সেট শান্ননবা শেম শাখি।

অহুমশুবা সেট অদু সুপর টাইব্রেক শান্নরকপদা পোইন্ট ১০ য়ৌবা হানবা পেয়র অদুনা মায় পাক্কদবা মরম্না হৌবদগী পোইন্ট লৌনবা লাক্লরকপদা ইন্দিয়াগী বোপনা অমসুং স্পেনগী বুস্তানা জর্মনিগী মোলিকর অমদি স্লোভেনিয়াগী জিমোনজিকপু ১০-৩দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

য়ু এস এগী অটলানাদা পাঙথোকপা এ টি পি টেনিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নম্বর ১ শান্নরোয় প্রজনিস গুনেশ্বরন অহানবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় সুনৱু ক্বোনগী মখুৎতা ৭-৬ (৭-৪), ৫-৭, ০-৬তা মায়থীহৌখি।